## মালেমগী অঙকপশিং

# শেনান্দোহ নেসনেল পার্ক



শেনান্দোহ নেসনেল পার্ক য়ু এসকী ভির্জিনিয়া ষ্টেটতা লৈ, ব্লু রিজ চীংজাউগী শরুক নেসনেল পার্ক অসিদা য়াওই। নেসনেল পার্ক অসি শাংই অমসুং মরাক চপই। নোংচুপ থংবা মায়কৈদা অপাকপা শেনান্দোহ তুরেল অমসুং তম্পাক লৈ। নোংপোক থংবা মায়কৈদা ভির্জিনিয়া পৈদমোন্টগী চীংদুম লৈ। য়েংবদা পুক্লিং হুনা ফজরবা স্কাইলাইন ড্রাইভনা পার্ক অসিগী মশক থোকপা পোৎশক অমা ওইরজরবসু লমগী পাক চাউবা একর ৭৯,৫৭৯ গী চাদা ৪০ দি ৱাইল্ডরনেসনি হায়না ওফিসল ওইনা খঙনৈ অমসুং নেসনেল ৱাইল্ডরনেস প্রিজার্ভেসন সিষ্টেমগী শরুক অমা ওইনা ঙাক শেন্দুনা থমই। পার্ক অসিগী মনুং চন্না লৈবা খ্বাইদগী ৱাংবা চীংদোনদি ফুট ৪,০৫১ ৱাংবা হোক্সরিল চীংজাউনি।

পার্ক অসিদা কাউন্টি ৮ গী শরুকশিং য়াওই। স্কাইলাইন ড্রাইভকী নোংচুপ থংবা নাকলদা লৈরিবা কাউন্টিশিংদি অৱাং-নোংপোক্তগী খা নোংচুপতা ৱারেন, পেজ, সোকিংহাম অমসুং ওগষ্টা কাউন্টিশিংনি। স্কাইলাইন ড্রাইভকী নোংপোকথংবা শরুক্তা লৈরিবা রাপাহান্নোক, মদিসন অমসুং অলবেমার্লে ইন ড্রাইভকী পরিংদা মাইল ১০৫ (কিলোমিটর ১৬৯) শাংনা খা নোংচুপ্তা ৱেনেসবোরো সিটি মনাক ফাওবা শন্দোকখি। পার্ককী হেদক্কার্টর্সনা লুরেদা লৈ।

পার্ক অসিদা উবা ফংলিবা রোক খরদি চহী বিলিয়ন অমা হেল্লহল্লগনি অমসুং মখোয়দু ভির্জিনিয়াগী খ্বাইদগী লিরবা রোকশিংগী মনুং চল্লি। পার্ক অদুগী বেদরোক্তা গ্রীনভিলিএজ গ্রেনাইট বেজমেন্ট রোক্স (চহী বিলিয়ন অমা হেল্লবা)। মসিদা স্বিফট রন অমসুং কেটোক্তিন ফোর্মেসনগী সেদিমেন্টরি অমসুং ভোলকেনিক ফোর্মেসনশিং য়াওই।

কুমজা ১৯২৬ তা শেনান্দোহ পার্ক শেম্নবা ওথোরাইজ তৌখি অমসুং কুমজা ১৯৩৫ গী দিসেম্বর ২৬ তা মপুং ফানা শেমখি। পার্ক অমা ওইদ্রিঙৈগী মমাঙদা এরিয়া অদুগী মফম কয়া ফার্মলেন্দ ওইরম্মী অমসুং হৌজিকসু মফম কয়াদা অরিবা ফার্মশিংগী লেমহৌবা শরুকশিং লৈরি। কম্মনৱেল্ঠ ওফ ভির্জিনিয়ানা পার্ককী লমদু তপ্না তপ্না লৌশিল্লবা মতুংদা য়ু এসকী ফেদরেল গভর্ণমেন্টদা শিন্নখি।

অমরোমদা ফেদরেল গভর্ণমেন্টগী মায়কৈদগী লমদু পার্ক ওনবদা অয়াবা পীগনি হায়বগী থাজবা পীখি। পার্ক অদু শেম্বদা (লম্বীগী য়েৎথংবা নাকলদা লৈবা স্কাইলাইন ড্রাইভকী শরুক অদু লম মপুশিংদগী লৈখিবা ঙাক্তনি) ইমুং কয়া অমসুং কম্যুনিটি অপুন্বা ব্লু রিজ মাউন্টেন্সকী শরুকশিং থাদোকপা তাখি। ভির্জিনিয়াগী পার্ক অদুনা শোকহল্লবা কাউন্টি নিপানগী য়ুম ৫০০ দা লৈবা মীশিংনা মখোয়গী য়ুমশিং অমসুং কম্যুনিটিশিং মাংবা য়ারোই হায়না কন্না লেপ্লম্মী। পার্ক অদুনা মরম ওইদুনা মশাগী ময়ুমশিং থাদোকখিবা ইমুং অয়াম্বা মাদিয়ন কাউন্টি, পেজ কাউন্টি অমসুং রাপাহান্নোক কাউন্টিদগী ওইরম্মী।

পার্ক অসিদা লৈবা মীশিং অপুন্বগী চাদা ৯০ রোম হিংননবগীদমক্তা ফার্মগী লমদা থবক শূনরম্মী। মীওই কয়ানা তম্পাক্তা লৈবা সেমগী হৈকোলশিংদা থবক শূনরম্মী। তম্পাক্কী লমদম নত্তনা নোংপোক থংবা চীংমায়শিংগা নক্নবা মফমশিংদসু সেমগী হৈকোলশিং লৈ।

কুমজা ১৯৩০ দা থোকখিবা কিনিংঙাই ওইরবা ঈকংগী মতুংদা নেসনেল পার্ক অমসুং স্কাইলাইন ড্রাইভ শেম্বগী থবক হৌখি। ঈকং অদুনা এরিয়া অদুদা লৈরিবা ইমুং কয়াগী মহৈ-মরোংশিং অমসুং সেমগী হৈকোলশিং মাংহন-তাকহনখি। ফার্মদা থবক শূরিবা মীশিং অদু অসুম্না ঈকংনা মরম ওইদুনা থবক শূফম লৈতবদগী ময়ুম-মকৈ থাদোকপা তাখি। মী খরদি অৱাবা কয়া মায়োক্লুদুনসু মফমদুদা মখা তানা লৈনবা হোৎনখি। পার্ক অদু শেম্বগা মরী লৈননা ইমুং খরদি নম্ফুদা মফম অদুদগী হোংহনখি তৌইগুম্বসুং মীওই খরদি লন-থুমগা লোয়ননা মফমদুদা শিদ্রিফাওবা লৈহনখি। অহল ওইরবশিং অমসুং শোইনাইরবশিংনা পুন্সি চূপ্পা পার্ককী এরিয়াদুদা লৈবগী পোলিসী অমা চৎনরম্মী। পার্ক অসিদা ইকোন কোন্না শিখিবা মীওইদি কুমজা ১৯৭৯ দা মশাগী চহী ৯২ শুবদা শিখিবা এন্নিলী ব্রাদলি সেঙ্কনি।

## হকশেল কাঙলোন :

# দিসলেক্সিয়া : মহৈ তম্বদা অকায়বা পীরিবা লায়না

রিদিং দিসওর্দর হায়নসু খঙনবা দিসলেক্সিয়া হায়বসি চপ চানা ৱাখল লৌশিং লৈজরবসু মপুং ফানা মহৈ তম্বা ঙমদবগী লায়না মখল অমনি। কনাগুম্বা লায়না অসিনা নারবা মীওইশিং লৈতোন শেংনা লাইরিক পাবা, ইবা, বনান তৌবা ঙমদবগা লোয়ননা হঞ্জিন-হঞ্জিন পারবসু পাক হেক খঙগন্দে। খুদোংথিবা অসি অয়াম্বা মতমদা স্কুল তম্বা হৌগৎলকপদা হেক হেক খঙনরকই। কনাগুম্বা খরদি মমাঙদা নীংথিনা পাবা হৈখ্রবা পারা ফাওবা পাবা থোক্লক্তবা য়াওই। মসিবু এলেক্সিয়া হায়রগা খঙনৈ।

তুংদা দিসলেক্সিয়াগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরক্কদবা মীওইশিং অঙাং ওইরিঙৈদা য়াম্না থেঙনা মরোল থোকপগা লোয়ননা ওয়-য়েৎ খেন্নবা খঙদে অমদি মায়কৈ খঙবদসু ৱানা থোকই। অয়াম্বা মতমদা দিসলেক্সিয়া অমসুং এটেন্সন দিফিসিট হাইপরএক্টিভিটি দিসওর্দর (এ দি ঐচ দি) অনী অসি পূন্না মায়োক্লগল্লি। দিসলেক্সিয়ানা নারবা মীওই চাদা ১৫ এ দি ঐচ দিনসু নাই। অমসুং এ দি ঐচ দিনা নারবা মীওই চাদা ৩৫ দিসলেক্সিয়ানসু নাই হায়রিবা অঙাংশিং অসি স্কুল তম্লিঙৈদা পারা পাবা নৎত্রগা মশীং থীবদা ৱানা থোকই।



কুমজা ১৮৮১ দা ইহান হান্না থেংনরকখিবদগী থিজিল্লোয়শিংনা দিসলেক্সিয়াগী ন্যুরো-বাইওলোজিকেল বেসিস খঙদোক্লবা হোৎনদুনা লাকখি। ফঙ্কশনেল মেগনেটিক রেসোনেন্স ইমেজিং (এফ এম আর আই) অমদি পোজিট্রোন ইমিশন টোমোগ্রাফি (পি ঈ টি) নচিংবা অনৌবা মতমগী ন্যুরোইমেজিং টেক্নিকশিং শীজিন্নদুনা য়েংবদা অঙাংশিংগী ব্রেনদা ফঙ্কশনেল অমদি ষ্ট্রকচরেলগী ওইবা খেন্নবা খরা থেংনরকখি। দিসলেক্সিয়ানা নারবা অঙাংশিংগী ব্রেনদা ওয় থংবা হেমিসফিয়রদা ইলেক্ট্রিকেল এক্টিভেশন ৱাৎপগী থৌওং উবা ফংলম্মী।

মখল কয়াগী থৌরাং লৌখৎতুনা হীরম খুদিংমক্তা মতেং পাংবিরবদি অসিগুম্বা মখলগী অঙাংশিং ফীভম ফগৎলকপা থেংনৈ। অসিগুম্বা অঙাংশিংবু য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী নীংথিনা বনান তৌবা তম্বীবগা লোয়ননা ৱাহৈগী খেন্নবা খঙহনগদবনি। হীরমসিদা ইমুং মনুং অমদি মরুপ-মপাংশিংনসু লক্লবিবগী মহুত্তা মতেং পাংবিবা অমদি পূক্লিং থৌগৎপীবা মথৌ তাই।

মালেমগী ওইনা অপুনবা মীশিংগী চাদা ৪ রোম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা অসি কুমজা ১৮৮১ দা ওসৱাল্ড বরখাননা ইহান হান্না থেংনরকপনি।

# য়াইঙং অতেকপগ য়েনশাগা থোংবা

চঙগদবা পোৎচঙ ঃ

- ঘী নৎত্রগা ভেজিটেবল ওইল চামচ অমা।
- থোইদিং চামচ অমা।
- উ মোরোক অমা (পানা শোইরবা)
- চনম অশুবা চামচ অমা।
- খুবীমুক চাউবা য়াইঙং মচেৎ অমা (অশুবা)
- শিং অশুবা চামচ অমা।
- পানা শোইরবা তিলহৌ অচৌবা অমা।
- জীরা অশুবা চামচ অমা।
- ফদিগোম মরু অশুবা চামচ অমা।
- শেমদোক্লবা য়েনশা মপুম অমা।
- কোকোনট মিল্ক গ্লাস অনী।
- চম্প্রা তংখায় অমগী মহী।

থোংবগী মওং ঃ-

- মৈথক্তা খাং থাংগৎলগা ঘী নৎত্রগনা থাউ শাহল্লবা মতুংদা থোইদিং হাপচিল্লগা মখুম খুমজিল্লো।
- ঙাইহাক লৈরগা মোরোক, চনম, য়াইঙং, শিং অমদি তিলহৌ হাপচিল্লগা মচু ওন্দ্রিফাওবা ঙৌরো।
- জীরা অমদি ফদিগোম মরু হাপচিল্লগা মিনিট অনীরোম ঙৌরো।
- য়েনশা অশেম্বা হাপচিনবা য়ারে।
- মৈ পীক্লা লৈথরগা কোকোনট মিল্ক হৈজিল্লো অমসুং তপ্না তপ্না কংশিলহল্লো।
- পূং অমরোমগী মতুংদা য়েনশা মুল্লগা থাংথরো অমসুং চম্প্রা মহী শুমজিল্লগা ফোঙ-ফোঙ শাবা বাসমাতি রাইসকা চামিন্নবা য়ারে।

## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... - চার্লস চেপলিন -



ৱা ঙাঙদবা "সাইলেন্ট ফিল্ম" গী মতমদা কোমিক এক্টর অমা ওইনা মালেম শীনবা থুংনা মমিং চৎখিবগা লোয়ননা এক্টিং খক্তনা মীপুম খুদিংমকপু পুক্লি পায়দুনা নোকহনখিবা চার্লস স্পেন্সর চার্লি চেপলিন কুমজা ১৮৮৯ গী এপ্রিল ১৬ তা সাওথ লন্দনগী ৱালৱর্থকী মনুং চন্না লৈবা ইষ্ট ষ্ট্রিটতা পোকখি। অপোকপা চার্লেস চেপলিন সিনিয়র অমদি অপোকপী হন্নাহ চেপলিন ম্যুজিক হোল এন্টরটেনর ঙাক্তনি।

চার্লস চেপলিনগা মপা তিন্নদবা সিদনি জোন হিল কৌবা ময়াম্বা অমগা জোর্জে হুইলর ড্রাইদন কৌবা মনাও অমগা লৈ। কুমজা ১৮৯১ গী অদুৱাইদগী মমা-মপা অনী তো-খাই-তোখাই লৈনখিবদগী চার্লসনা ময়াম্বা সিদনিগা লোয়ননা মমাগী নাক্তা লৈরম্মী।

চার্লসনা অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সিদি অৱাবগী মশক্লি। শেন্থোক লম্বী অমত্তা লৈতবদগী মমানা মহাকপু শুপ্নগী চহী তরেৎ শুবদা ঙায়রিঙৈদা থবক শুবা চৎহল্লম্মী। তুংদা চার্লস অমদি ময়াম্বা সিদনিবু কনা লৈজদ্রবশিংগী স্কুল অমদা থমখি। লাইরবনা মরম ওইরদুনা নীংথিনা চাবা থকপা ফংদবদগী অপোকপী হনাহসু ৱাখল লায়না নারক্তুনা কুমজা ১৯৮৯ দা কেন হিল মেন্টেল এসাইলমদা থমখি। মতমদুদা য়েংশিনবীনবা কনা লৈজদ্রবা চেপলিন অমদি ময়াম্বা সিদনিনা মতম খরা অপোকপা চার্লস সিনিয়রগী মনাক্তা লৈবা তারম্মী। মতমদুদা মহাক্তি য়ুদা লাইচুবা মীশক অমা ওইরমদুনা অঙাং অনীবু ঙাইহাক লৈতনা তাথি-তাওইনা তৌবিরম্মী। মদুদা নেসনেল সোসাইটি ফোর দ প্রিভেনশন ওফ ক্রুয়েলটি টু চিলদ্রেনগী মীওইশিং ফাওবা লাক্তুনা খামদোকপা য়াওখি। চহী অনীগী মতুংদা লিভর সিরোসিসনা মরম ওইরদুনা অপোকপা মপা শীখি। মমাসু ৱাখল লায়না হেঞ্জিল্লকপদগী তাইবঙপাল থাদোকখি।

মশাগী চহী ১৩ শুরকপদা চেপলিননা লাইরিক তম্বা তোকথোক্তুনা অফং-অফংবা থবক শুবা তারবসু এক্টর অমা ওইনিংবগী ৱাখলদি খক থাদোক্লমদে। তোঙান-তোঙানবা প্রদক্সন কম্পনি কয়াদা য়াওদুনা দ্রামা কয়া য়াওরল্লবা মতুংদা মহাক্না ন্যু য়োর্ক মোশন পিকচর কম্পনিগা শম্নবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা অমা ফংখ। কুমজা ১৯১৩ গী সেপ্তেম্বর থাদা মহাক্না কিষ্টোন কম্পনিগা কোন্ট্রেক্ট অমা সাইন তৌনদুনা থা খুদিংগী দোলর ৬০০ ফংবা হৌখি। মশাগী চহী ২৪ শুরকপদা মহাক মপুন্সিগী অহানবা ওইনা ফিল্মদা খোঙদাদুনা "মেকিং এ লিভিং" দা শক্তম লাংখি। অতেনবা অমদি ৱা ঙাঙদবা ফিল্ম মথং মথং কূপ্লবা মতুংদা মহাক্না অহানবা ওইনা দিরেক্সন পীজদুনা কুমজা ১৯১৪ দা "কোট ইন দ রেন" পুথোকখি। অকোনবদা মহাক্না চয়োল খুদিংগী ফিল্ম অমমম পুথোকপদগীদি মীয়াম্না মহাকপু পাম্নবগী চাংসু অসুম অসুম হেনগৎলকখি।

মহাক্কী অহানবা ফীচর ফিল্মদি "পঙ্কচরদ রোমান্স" তা সপোর্টিং রোল অমা ফংখিবদুনি। ফিল্ম অদু মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্না পাম্নখিবগা লোয়ননা চেপলিনগী পোপ্যুলরিটিসু হেনগৎলকখি। কুমজা ১৯১৪ গী দিসেম্বর থাদা ইসানে ফিল্ম মেন্যুফেকচরিং কম্পনিনা থা খুদিংগী দোলর ৫০০০ পীদুনা চেপলিনগা কোন্ট্রেক্ট অমা সাইন তৌনখি। বোনস ওইনা দোলর ১০,০০০ সু মাঙজৌননা পীরম্মী। মহাক্না চহী নিপালগী মনুংদা এদনা পর্ভিয়ন্সকা পারগা ফিল্ম ৩৫ পুথোক্লম্মী।

চূং ফীরাল চাবসু নৎতবা, মশক-মতৌ ফজবসু নৎতবা চেপলিননা অঙাং ওইরিঙৈদা লায়রবগী চৈথেং খম থেংনা মায়োক্লরল্লবসু হোৎনজমনগী মহয়না মায় পাকপা মীশক অমা ওইবা ঙমখি। কুমজা ১৯১৫ দদি মহাকপু মীয়াম্না অসুক্কী মতিক পাম্নরম্মী মদুদি চেপলিনগী মমিং লৌরগা পোৎলম কয়া য়োন্নরকপগা লোয়ননা কার্টুন অমদি কোমিক ষ্ট্রিপ কয়াদা মহাক্কী শক্তম য়াওরম্মী। মহাক্কী মরমদা ইবা ঈশৈ ময়েক কয়াসু পুথোক্লরকখি। মতৌ অসুম্না ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিগী অহানবা ইন্টরনেশনেল ষ্টার অমা ওইরবা চেপলিনবু য়ুনিভর্সেল, ফোক্স অমদি ভিটাগ্রাফনচিংবা ফিল্ম কম্পনি কয়ানা কোয়তান তান্নবা হৌখি। অকোনবদা ম্যুচ্যুয়ল ফিল্ম কোর্পোরেশননা মহাকপু থা খুদিংগী দোলর ৪০,০০০ পীদুনা কোন্ট্রেক্ট অমা সাইন তৌনখি।





Title: Mother Bird and her Baby
By: Henjathoibi Rajkumari
Class: III Sec: C Roll No. 23
School: Little Flower School.



Title: Girl and Dog
By: Hanjhlia Thongam
Class: II Sec: A Roll No. 3
School: Standard Robarth Hr. Sec. School.



Title: Dragon Ball
By: Phamdom Bikramjit
Class: II Sec: A Roll No. 23
School: Standard Robarth Hr. Sec. School



Title: Daffodil
By: Irfan
Class: II Sec: B Roll No. 07
School: Standard Robarth Hr. Sec. School.



Title: PUBG
By: Laishram Bidyananda
Class: II Sec: C Roll No. 25
School: K. V. Lamphel.



Title: Elephant
By: Soma Hijam
Class: II Sec: A Roll No. 2
School: Standard Robarth Hr. Sec. School.



Title: Scenery
By: Poireinganba Wangkhem
Class: VI Sec: B Roll No. 56
School: St. Josheph Hr. Sec. School.



Title: Rose
By: Loyangamba Naorem
Class: II Sec: A Roll No. 48
School: Standard Robarth Hr. Sec. School.